# মখোয়দুতনি ইমাগী অশেংবা মচা

— এস ভানুমতী দেবী—

> “লৈঙাক পায়বিগনি, লৈবাক্কী চাওখৎপতা তৌবিগনি” হায়না কয়ারক মীয়ামদা ৱাশক পরে লাকপীখিবা লৈঙাক্লোই পূম্বনসু নচা ননাই ঐখোয়বু পরিং পথাপ চুম্না ৱায়েল চুপলি পায়বিদুনা ঙাকপি-শেনবীরো। তোঙান তোঙানবা ওফিসকী ওফিসরশিংসু তৌফম থোকপা থৌদাং পায়বিরো। অঙাং শেন্বীগদবা ওজা ওইবা কাঙবুসু পুকচেল শেংনা (মনা মথুমগী ৱাখল য়াওদনা) অঙাংশিংবু ইচাগুম খন্না শেন্বা হৌবিরো। মমা-মপা ওইবিরিবা কাঙবুসু ইচা/ইচাবু ঙন্তানা ‘সহীদ’ মিংথোল ফংনবা চেকশিনবীরো। লৌ উবনা লৌ উবিয়ু, সনা শাবনা সনা শাবিয়ু, য়োৎ শুবা, শম ককপা, উ শুবা, চেক শুবা, খোঙউপ তুবা, য়ুম শাবা, ললোন ইতিক তৌবা, কৈথেল ফমদুনা ইচা-ইশু থাক্লিবশিং ইশানা হোৎনজরগা হিংজরিবা মীওই পূম্বা, মীচম অমা ওইনা ইশা ইশাগী থৌদাং তরু-তরু উৎনসি। অচৌ-অপীক খল্লুদনা ইশাগী থৌদাং থৱায় হকচাং কংথোক্লিবা মখোয় পূম্বদো ইরৈবাক নীংবনি খন্নসি, ইমাগী অশেংবা মচানি নীংনসি”

**মহৌশাগী** খূৎশেমদা য়াওরি অহোংবগী মশক, মপুগী খূৎশেমদসু য়াওরি অহোংবগী খোঙচৎ। অহোংবা অওনবা হায়বসি লাক্ত্রবদি অহিংবা নত্তে অশিবনি। মহৌশাগী নাপী-শিংবী, হান্না শকখঙলকপা লোয়নরকপা পোৎ-চৈ - ৱাখল্লোন ... পূম্নমক অহিংবা ওইহনবা তারবদি অহোংবা লাকপা তাবনি। অহোংবা নাইদবদি অশিবগা পাংখক্লি। মালেম তাইবঙ পানবদা উনরি, থেংনরি মীওইবা কৌবনা ঋতু-খোঙচৎ... ওন্ন-ওন্ননা - নোংজুথাদগী য়েন্নিংথা, ওলাংথাদগী নিংথমথা, লেপ্পা নাইদনা হোংলি মহৌশাগী শক্লোন। মসি তাইবঙ মীনা অমত্তা শেম্লম্বা নত্তে। মহৌশানা থোকহঞ্জবনি। পোক্লবদি শিগনি, শিরবদি পোক্কনি। অফবা তৌরগা অফবা ফংগনি, ফত্তবা তৌরগা ফত্তবা ফংগনি পূম্নমক ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি।

অহোংবা, অওনবা হায়বসি লৈরমদ্রবদি ৱাখলগী অনৌবা ঈনোৎসু কারম্লোই। ৱাখলগী ঈনোৎ লৈত্রগদি মীওইবদা হৈনীংবা হায়বসি শুকলৈ লৈরম্লোই। মহৌশাগী ইথিলনা থম্মোয়দা য়ৈরকপদা অনৌ অনৌবা আশা কয়া থোরকই। অদুগা লোয়নননা থোরকই মখল কয়াগী মচু-মমেন। ইশম-শম্না য়েন্নিংথাগী হৈপাল-লৈপালনা ময়োন চোংলকপা উরুবদা মীওইবা কৌবা জীবগী পূক্নিংসু করম্না ঈথক হৌরোইদগে? মথোৎ কারক্লিবা, কারক্লিবী নুপামচা-নুপীমচা উরুরগা ইনৌতা নৌরবা ৱাখল লাকপগা লোয়ননা মরাল অমত্তসু পক্ত্রিবা শক্তম অমদি তৌথোরকপা মওং উরুবদা হায়ফম খঙদনা পঙনুংতা নুংশিবা, পঙয়েংতা য়েংনীংবা অমা পূম্নমক্তা ফাওনরিবনি। অদুগা লোয়ননা ৱাখল কয়া কয়াগী হৌরকফম ওইবা মশক অমা, অমনা অমদা তাক্নরুবা তৌদনা কল্লবা ইহুল অমা থম্মোয় খুদিংদা ফাওরিবনি। মমাগী তম্পাক্তা লৈরিবা পোকপদা ঙায়জরিবা, করিসু খঙজদ্রিবা, তীল অমগুম মমিৎ চেজেৎ উইশিল্লগা লৈজরম্বা নাৱানা মাগী মাগী মতমগী মতুং ইন্না থৱানগুম ঈংলবা মমিৎ মচা অনীদুনা তথক-তথক য়েংলকপদা, মমা ওইবীতা নৎতনা উরুবা পূম্বগী থম্মোয় হুরিবনি। জীব খুদিংগী মরক্তা হায়নরুবা, তাক্নরুবা নাইদনা মিৎনা উবা ফংদ্রবা থম্মোয়গী ইহুল অমা লোয়নদুনতা লাক্লিবসি মীওইবগী লক্তা হান্ননা খঙনদুনতা লাক্লিবনি।

পূম্নমকসিনা উৎলি মদুদি অচৎ-চৎত পূম্বগা মীওইবা জীবগা শুকথা থানবা য়াদে। মীওইবনা মপান্থোংগী ওইবা পোশক্তি লোইনা শেন্বা শাবা ঙম্বা য়াই অদুবু পূক্নিংগী ইহুলদি কৈদৌঙৈদসু শেন্বা শাবা ঙম্লোই। মীওইবনা নাপল পঙতৌ তৌদুনা, অমর ওইগদবসু নৎতবা, শিবা নাইবা, শোনখ্রবা মখোয়না মীওইবগী লীশাংশিৎনা চৎথরক্লিবা মতমগী অহোংবগী অঙক-অঙকপা, ৱাংল-ৱাংলবা ৱাখল্লোনবু মাঙহন্দুনা অনৌবা মীহাৎপুং অমা খক শেন্বা য়ারোই। মানা মানা পঙজবনা তৌগে নীংলকপা থবক্তা মওং-মরিল তানা পান্বে শেমজহৌদবনা ফনা চাওখৎপা পামদুনসু মায়থীবতা ওইদুনা তোক্কনি। মরমদি, অমম্বা ফাওদোক্তুনা (লান্থোক্তুনা) অঙানবা য়ৌননবা চঙশিনগে হায়রবদি মল্লিবা লম্বী লমশাঙদু মৈ ঙান্না থান্দুনা অমোৎ-অকাই, অশোক-অপন থোকহনবা য়াবা করি-করি লৈবগে খঙননবা পান্বে নৎত্রগা খূৎলাই হান্ননা চেকশিন্না শেম্লগা খোঙজং চঙশিনবা তাবনি। মীওইবা কৌবা পূম্বগা ইচিন-ইনাও ওইনা খন্নদুনা মতম পূম্বদা অফবা, পোজিটিভ ওইবা মায়কৈদা খোঙ থাঙজিনমিন্নবা মতমদা অমম্বা পূম্বা লানথোক্তুনা ইনৌ নৌবা অঈংবা, হাৎন-শুনবা য়াওদ্রবা মফম অমা শোয়দনা য়ৌগদৌরিবনি। ৱাখল হান্না তানদবা য়াদে, ইশা ইশামক মালেমসিদা হিংবদা ইচা ইশু, ইখা থাবশিংবু অচুম্বা লম্বীদা মখূৎ পায়দুনা লমজিংবা ঙম্নবা পূক্নিংবু খুদুম চনবা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন কয়া, পান্বে কয়া চঙঙি। অদুনা ঐখোয় ইরায় লায়না মমা-মপা অমা অমদি লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইরে হায়না লেন্থোকপা য়ারোই। হঙ্গৎনা নীংশিংবা য়াই, মালেমসিদা মীওইববু লমজিং মৈরা পায়হন্নবা হোৎনরম্বা মহাপুরুষ পূম্বা কয়াদা ৱানা পুন্সি লোইহনখিবা। তৌথোরকপা অচুম্বা, অফবা, মীওইবগী কান্নবা ওইগদবা পান্বে কয়াবু অরানবা মায়কৈদা পুবিদুনা অৱাবা মায়োক য়াহনখিবা, অঙাওবগুম ৱাখল চোইরবগুম লৌবিখিবা। পীবা য়াবা অৱাবা, ইকায়বা পূম্বা ফংহনখ্রবগী তুং, পূম্নমক্কী কান্নবনি খঙলবা মতমদতা মশক খঙলকখি ন্যুটন, আর্কিমিদিস, গেলেলিওনচিংবা মশীং থীঙমদ্রবা বৈজ্ঞানিকশিং ফাওবা। মখোয় পূম্ববু ঐখোয়না পূজা তৌফম থোকই। হৌখ্রবা মতমদা মখোয় মখোয়না তৌরম্বা খরদুবু খঙবীরকপদা মমৈথংদা শোন্নরকপা ঙাক্লি। ঙাপ্রুম মমৈদা খূজিন্না শীকপগুম নীংঙমদনা লৈহৌবা ঙাক্লি।

অসুম্না, অহোংবা হায়বসি মীওইবগী শিথরক্লবা অশাবু ময়োল চোংহন্নবা পান্বেনি হায়বা য়াই। অহোংবা লৈবনা অহিংবা পুন্সি ওইনা লৈরিবনি। অহোংবা লাকপনা অরিববু নৈনবগী মচাক ফংলিবনি, পূম্নমক্কী মশক থোকহল্লক্লিবনি। অনৌবা অহোংববু লাক্লমদ্রবদি মীওইবসু কেনভাসতা তারিবা ফি থোংদ্রিবা, লেঙদ্রবা লাইয়েক্তুগা চপ মান্ননা লৈরম্বসু য়াই।

নীংশিংবা য়াই, মীকুপমতং - ঐখোয়না খঙজহৌবা থায়নগী খূৎহ্লিং - ইনা কুপ্পা, চহী খুদিংগী মথক কূপ্লিবদু শিনবা চঙবা য়ূমনি। য়াম্না কুইরক্লবদি তীল-কাঙ, তেম্বুল-নাপুল অমদি মশক খঙদ্রবা চুমগুম্বা তুক্কৎচবা কয়া কয়ানি, ‘তেম্বুল-নাপুল’ হায়রিবসি তিম্থোক অচৌবগুম্বনি - উবদা য়াম্না হৈনদে মচীলগা মমৈগা চপ মান্নে। মকোক কদায়নো খঙবা ঙমদে। য়ূমগী ই - থায়না য়ূম কুপ্নরম্বা চরোৎকুম্বা পান্বী। ‘ই’ দুনা মন্থরক্তুনা পুমথরক্লবদি তেম্বুল-নাপুলশিং এঞ্জাং থোংলিবা উয়ান্দুদা তাশিন্দুনা চারুবা মীশিং শিনবা য়াওই হায়না য়াম্না কিনরম্মী। অদুগা মতমদুগী চাক থোংবদি লৈবাক্লা শাবা চফুসু অয়াম্বা শীজিন্নে, উয়ানসু লৈবাক্লা শাবনি। ঐখোয়গী অবোক্লা অমদি ইমানা চাক থোংবদা শীংজা লৈত্রবদি য়ূমদা পৈদুনা লৈরিবা চরু মপুন্দু লৌথোক্লগা শীং ওইনা থোংঙি। করিসু খঙদবনা মতমদুদদি খল্লুদে। ঙসি খল্লুবদা অঙকপদা খেন্নবা মশক, অৱাবগী মশক কয়া থোরকই। অঙাংসু পোই মনঙ্গন্দা, শীংদুসু ইনশিন্নবা হোৎনৈ, এঞ্জাংসু শেন্মী। চরুগী মৈদুনা চাকপনিনা অমোৎপা মকুপশিং পীকথন্না কোয়পাই পাইরম্মী। অয়াম্বা মতমদা মীতৈগী ইগী য়ূমগী মনুংদা চাক থোংবদা মৈখুনা য়াম্না তোয়না মম্মি। কয়াদা ৱারমগদবা মতমদুগী অহল-লমন, মৌ, লৈশাবীশিং। অমুকসু মতমদুদদি চহীগী লায়চৎ ওইদুনা লাই থোকপা (Small pox), ঈশিং পুকচৎ, কোলেরানচিংবা অনাবশিংদগী হিংহৌবা অয়াম্বনা ঙম্নদে হায়। মরু ওইনা লাই থোকপসিনি হায়নৈ। অদুনা পাখংশিংগী অহল লমন্না মৌ থিবদা (থায়নদি হায়ন-খোৎনরগা লুহোংলম্মী) লাই থোকপগী অনাবনা নারুরবা মমায় চান্নবী লৈশাবী থওইনা থিনৈ হায়। নৎত্রবদি শিখিনি কিনৈ অমুক কোন্না নারক্লবদি খন্নে। কয়াদা নুংশিখ্রবা! কয়াদা ৱানা পান্নরমখ্রবা! শাংখ্রবা, হঙ্গৎনা য়েংবদা উঙমদ্রবা পুৱারীগী তাঙ্ককনি। মতমগী মতুং ইন্না ঙসিগী তাইবঙপালসি ওইরক্তুনা চাওখৎপগী মমি খরা খরা ফংজরক্তুনা লাইরিক তম্নরক্তুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমগী ৱারী শিংবুল তপ্না তপ্না তানরক্লে অঙানবা মঙাল ফংজরক্লে। হিংবদা চঙফম থোকপা নীংথিবা ফজবা পোৎচঙ কয়া থেংনরক্লে। গ্যাস অমদি ইন্দক্সন্নচিংবা চাকথোংনবগী পান্বে কয়াসু মরাঙ কায়না ফংনরক্লে। অঙকপা ফংনা হকচাং কোমহন্নরে। মমাঙঙৈগী অমোৎ অকায় পূম্বদু পুমহোং হোংলক্লে। লূনা-নান্না হিংবা ঙম্নরে।

খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি - মালেমদা লৈরিবা লোল পূম্বা খঙবা ঙম্বগী পান্বেসু শুনা ফংলে। লোলগী মতেংনা মীওইবা পূম্বগী, ফুরুপ পূম্বগী ঈ-পাউ, য়ূমলৈ-কৈরৈ খঙবতা নত্তনা থম্মোয়/থম্মোয়গী মরীসু নকশিন্নে। মদুদগী মালেম অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোন ফাওরকই। অমগা অমগা লোল ফাওনদ্রবদি অশেংবা, অচুম্বা থম্মোয়গী মরী করম্না ফংগনি। তোঙান তোঙান অদুম তানবা তাবনি। লোল ফাওনরগা নকশিন্ননা তিন্নরকপনিনা নুংশিনরকই। পূক্নিংগী ৱা খঙনৈ। লোল খঙননবা পান্বেনা তৎখ্রবদি অমগা অমগা মুৎচুয়েল অন্দরষ্টেন্দিং লৈনদ্রবনিনা নুংশিনবা হায়বদুদি খক ওইরোই। অসুম, অসুম থাপতোক্লরক্কনি। অমগা অমগা তিন্নরক্তবদগী ‘নাইতোম’ হিংলক্কনি। পাক্লবা মালেমগী কলচরদগী অসুম থাপতোরক্লবদি নাইতোম তানা হিংলক্কনি, কনামত্তনসু শকখঙবীরোই। অদুদৈদি কুইদ-কুইথরক্লবদি গুহা মনুংদা লৈবা হঙোইগুম ইপঙ-পঙশিল্লক্কনি। ইথন্তগী কলচরদা শুম হিংবদা করি চাউখৎপনো ফংদৌরিবা? মালেমগী পাক্লবা ষ্টেজদা থোক্তুনা তোঙান তোঙানবা কলচরগা মায়োক্নরগা একচেঞ্জ তৌনদুনা অমগা অমগা ঐখোয়না তিন্ন-তোৎনদুনা পুথোক্লরক্লগা মশক থোকপা হায়বদু ওইরকপা তাবনি।

অস্বাইগী মতাং য়ৌরকপা অসিদনি থম্মোয় কায়না ৱাজরিবসি, অহিং তূম্বা য়াদ্রিবসি। চহী য়াম্লক্লবা ঐখোয়গীদমক্তি খল্লুনীংঙাই লৈত্রে। ঙসি ঙসি করিসু খঙজদ্রিবা, চোং ফন্দুনা শান্নজরিবা মশীং থীঙমদ্রবা ইচা ইশু কয়াশিং অসিগীদমক্লি। তিন য়োৎথদুনা খন্থবা য়াবা মতাং য়ৌরবনি। ইচা ইশুশিংবু শেম্লম্নবনি মমা-মপা, মপু-মবেন ওইরিবা ঐখোয়না হিংলিবসে। মশক থোকপা মীশক অমমম ওইনবগীদমক মখোয়বু মী ওইনবনি শেম্নরিবসে। চহী ১০/১৫ শ্বাইগী মনুংদা পূক্নিংদা ৱাহং কয়া কয়া থোরক্লি। মদুদি : মালেমদা লৈরিবা লোল লোইনা খঙবদা করি অকায়বা লৈবগে? খঙনবগী পান্বেসু লোইনা লৈরে, অদুবু তম্বা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়রিবসি কদায়দগী কমদৌনা লাকখিবনো? ঙসি চঙশিল্লক্লিবা মালেমগী য়াওল অসি উরু তারুবদদি অঙাং খুদিং য়ারিবমখৈ, ঙল্লিবমখৈ লোল মখল কয়া খঙবদি অঙকপগী মশক্তা ৱাখল-লৌশিং হেনগৎকদবা পান্বেনি, ঙম্ন দবগী ৱানি। অদুবু ঙক্লিবদি ঐখোয়গী লৈবাক্কী মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা ওইবা অয়াম্বনা মহৌশাগী মতমদগী হৌজিক চাউখৎপা হেল্লক্লবা মতমসিদা থোইনা লোল খঙফম থোকপদুবু স্কুলশিংদা মথং মথং তম্বা ককথরকপদা কনামত্তনা মায়থোঙ মক্তে। মসিগী মরম করিনো খঙনীংবা পোকই। লোল হায়বসিদি মীগী লোল, ঐগী লোল করিসু লৈতে। খঙবা হেক ঙল্লিমখৈ অফবা খূৎলায়নি পুন্সিগী। মালেমগী মী অমত্তনসু থিংনীংঙাই লৈতে। লোইনমক খঙবদি খ্বাইদগী অফবনি। খুদম ওইনা ঙসি অহল ওইরক্লিবা ঐখোয়গী ইচাশিং য়াওনা হিন্দি, ইংলিস, সংস্কৃত, বেঙ্গলি অমসুং বেঙ্গলি ময়েক্তা তম্লক্লিবা মৈতৈলোল অয়াম্বা হৈনরকই। মরু ওইনা হিন্দি, সংস্কৃত, বেঙ্গলি থওইনা তোঙান্না হৈনবগীদমক তম্বগী চৎনবীসু লৈরম্মী। লোনশিংবু ফজনা খঙবীবা ঈথক থোংবা কয়ানা হিন্দি খোরিলোলগী, বেঙ্গলি খোরিলোলগী অমসুং সংস্কৃত লোনগী য়াওনা নীংথিনা খঙবীবনা ইন্দিয়াগী ফজবা মহাকাব্য, ঋশু কাব্য কয়া কয়া ইমালোলদা থন্বীরম্মী। খুদম ওইনা ইহান হান্না পঞ্জনীংবদা ইকায় খুম্নজরিবা নোঙ্গাখ্রবা পণ্ডিত কলাচান্দ শাস্ত্রীনা মহাভারতপু ময়েক শেংনা ইমালোলদা থন্বীরম্বনা মীরোল কয়াদা কয়াগী মতিক কান্নবা পীবিরি। লোল খুদিংমক্কী খোরিলোলগী নৈনরোল কয়াবু পুথোকপীরমদুনা ইন্দিয়া পূম্বগী সংস্কৃতিবু মশক খঙহন্নবা লম্বী শেম্বীরল্লি। মসি খঙলুবদা ৱাখল হেনগৎহনবা নত্তনা অমাঙবা অমত্তা লৈরোই। অসিতসু নৎতনা ঈশৈগী পদাবলি কয়া মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী নরটম ঠাকুরনচিংবনা ইবিরম্বদগী ইপা ইপুশিংনা হন্দোক্তুনা কয়াদা ফজ-ফজরবা কীর্ত্তনগী ওইবা ৱাখল থন্বীরম্বা। মসি পূম্বা পুন্সিগী খোঙচৎসিগী পরিংগী লম্বীদা ফংজবা অনৌ অনৌবা অশেংবা লৌশিংনি। মসি পূম্বা পাপ তানশিনবা নত্তে। ঐখোয়না মায়কৈ অসোমদা হেন্না পূক্নিং তানশিনবা নত্তে। ঐখোয়না মায়কৈ অসোমদা হেন্না পূক্নিং চঙশিল্লুদবগী ৱানি লোল শুনা খঙবশিংসিনা হন্দোক-হন্দোক্তুনা থন্বীরম্বদগী ঐখোয়না তানবদা ফংলরোইদবা পুন্সিগী কান্ন-কান্নবা মচাক কয়াসি ফংজরিবনি হায়বগী তৌবিমল অদু ফাওবা খঙদ্রবদি ঐখোয় অসি পাপ চেল্লবা মচা মশু হায়বদু ওইগনি। হৌরকফমগী ‘উফম’ কায়দনা মালেমগী চাওখৎপগী থবক থৌরম খুদিং শরুক য়াদুনা, ফুরুপ কয়াগী মীয়ামগা মায়োক্না পূক্নিংগী ৱা ফোঙদোক্দুনা, মালেম্না হিংলিমখৈ হিংবা ঙমজদুনা ঐখোয়গী ইনাৎপু ফজনা মশক তাক্লম্বা ঙম্নবা ইচা-ইশুশিংবু চেকশিন্না ঙাকশেন্দুনা য়োকপীবা হায়বসি ঐখোয় পূম্বগী ইথৌনি। মখোয়বু হেন্না চেকশিন মিৎয়েংখাদা থন্বীসি মখোয়বু অফৈবা, মখোয়গা চানদবা থৌদোক-ৱাথোক য়াওহন্দনা মপূং ফাবা, ৱাখল তাবা মীওই অমমম ওইজবা ফাওবতদি য়াম্না ঈংনা-চীক্লা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি তাকপীদুনা শেম্নবা হোৎনবনা ঐখোয়গী মপূং ওইবা ইথৌনি খন্নসি।

“লৈঙাক পায়বিগনি, লৈবাক্কী চাওখৎপতা তৌবিগনি” হায়না কয়ারক মীয়ামদা ৱাশক পরে লাকপীখিবা লৈঙাক্লোই পূম্বনসু নচা ননাই ঐখোয়বু পরিং পথাপ চুম্না ৱায়েল চুপলি পায়বিদুনা ঙাকপি-শেনবীরো। তোঙান তোঙানবা ওফিসকী ওফিসরশিংসু তৌফম থোকপা থৌদাং পায়বিরো। অঙাং শেন্বীগদবা ওজা ওইবা কাঙবুসু পুকচেল শেংনা (মনা মথুমগী ৱাখল য়াওদনা) অঙাংশিংবু ইচাগুম খন্না শেন্বা হৌবিরো। মমা-মপা ওইবিরিবা কাঙবুসু ইচা/ইচাবু ঙন্তানা ‘সহীদ’ মিংথোল ফংনবা চেকশিনবীরো। লৌ উবনা লৌ উবিয়ু, সনা শাবনা সনা শাবিয়ু, য়োৎ শুবা, শম ককপা, উ শুবা, চেক শুবা, খোঙউপ তুবা, য়ূম শাবা, ললোন ইতিক তৌবা, কৈথেল ফমদুনা ইচা-ইশু থাক্লিবশিং ইশানা হোৎনজরগা হিংজরিবা মীওই পূম্বা, মীচম অমা ওইনা ইশা ইশাগী থৌদাং তরু-তরু উৎনসি। অচৌ-অপীক খল্লুদনা ইশাগী থৌদাং থৱায় হকচাং কংথোক্লিবা মখোয় পূম্বদো ইরৈবাক নীংবনি খন্নসি, ইমাগী অশেংবা মচানি নীংনসি। মরমদি মশা মশাগী থৌদাংবু নুংশিনা, মশানা মশাবু থাজনা, মতমগী মমল খঙনা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা মখোয়দো ইমাগী অশেংবা মচানি। মখোয়নি মরৈবাক নীংবা। মখোয়দুনি মরৈবাক নুংশিবা। মখোয়দুতনি ইমাগী অশেংবা মচা। মখোয়দুতনি।

# নাম্মা শোয়বা হেক হায়বসি কনমল্লি, খরা ফজবা অমা ওইনা হায়সিবা

— ডা. সাপম জসোৱন্ত —

> “মীওই খরনা হান্নদগী কৌরকপা মীঙ্গৌ হায়বদি নাম্মা শোয়বা, হেন্দিকেপ, দিসএবল পিপল নৎত্রগা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি হায়না কৌবদা করিসু কায়দে। মরু ওইরিবদি খুন্নাই মীয়ামগী লীশাং শিৎনা চখ্থরক্লিবা ৱাখল্লোন মিৎয়েং অসি মপূং ফানা নৌনা হোংলক্লিবা অনৌবা ৱাখল্লোন মিৎয়েংদা পুরকপা হোংদোকপা ঙম্নবা হোৎনবনা হেন্না মথৌ তাই। মসিনা নাম্মা শোয়বশিংগী হক মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙমহনবতা নত্তনা খুন্নাইদা ঈজৎ লৈনা মনিংতম্না লৈপাক্কী য়াইফ থৌরাং কয়াদা শরুক য়াহনবা ঙমহনগনি। মসিগী ফল ওইনা নাম্মা শোয়বশিংবু খুন্নাই মী অমা ওইনা শকখঙবীবা, ইকায় খুম্নবীবা পুরকপগা লোয়ননা কি হঙ্গোইবা মিৎয়েংশিং মথন্তা মালেমগী খুন্নাইসিদগী মাঙখিনি হায়বসিনি।”

**অসুম্না** কনানা করি ঙাঙনবা অসুম্না হেক হেক তাবা ফংই, মসি ঐখোয়গী খুন্নাই মীয়াম মরক্তা নাম্মা শোয়বশিংগা তোৎন-তিন্না তৌরিবা মীওইশিং অদুনা মখোয়সু মীনি করিসু খেন্নবা লৈতে হায়না শক খঙবীরকপগা লোয়ননা মীওইবগী মরমদা মুন্না ৱাখল তারকপদগী, মীওইবা হায়বসি অমনা অমগী মপান তাঙনবা ঙাক্তনি, নাম্মা শোয়বশিং খক্তনা মীপান তাঙবা নত্তে, মীওইবা ঐখোয়সি শেন্বীবা মপুনা পীরকপা হকচাংগী লূ তোং কয়াৎশিং অসিদগী অমা শোয়বা থোক্লবা, য়াওদবা নৎত্রগা মথৌ তৌফম থোকপদু হেক তৌরক্তবদা হেক্তা ঙমদবা অমমম নৎত্রগা শোন্থবা অমা নৎত্রগা অমা মীওইবগী পুন্সিদা থোকহল্লি, মরম অসিদগী অসিগুম্বা মীওইশিংসি, খুন্নাই মীয়াম্না নাম্মা শোনবা নৎত্রগা ঙমদবা নৎত্রগা নাম্মা শোয়বা হায়না খঙনরকখিবনি হায়বদা লাল্লোই। হকচাংগী কয়াৎতা করিসু তৌদবা মীওই খুদিংসু অশোনবা ঙমদবা হায়বসি পোক্লকপদগী মীওইবদা শাগোন্নদুনা অশিবগী মতম ফাওবা অদুম লোইনদুনা লৈ হায়বসি খুন্নাই মীয়াম মরক্তা খঙনবা, ৱাখল তারকপা হেনগৎলকপদগী মালেমগী তোঙান তোঙানবা খুন্নাইশিংদা অচৌবা অহোংবা মিৎয়েং অমা লাকপা হৌরে হায়বগী খুদম অমনি হায়বা য়াই। ঙসি নাম্মা শোয়বশিংদা নাম্মা শোয়বা হায়নিংলক্ত্রিবা, মীৎতাংবা মীওইশিংদা মীৎ উজদ্রবা নৎত্রগা উবগী পাঙ্গল ৱাৎলবা মসি নত্তবা মসিদগী হেন্না ফজবা মীং পীনবা/কৌনবা, নৈনবা ঙাঙনবা হৌরকপা খঙনবা, তানরিবা ঙাক্তনি। মসি মান্নবা খুন্নাইগী চাওখৎ মায়কৈদা চঙশিনবা হৌরকপগী মওং অমনি লৌবা য়াই।

মতাং অসিদা মুন্না নৈনবা য়ারিবা ৱাফম খরদি, মীঙ্গৌ নৎত্রগা মীংথোন হায়রিবসি মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবদগী থৱায় পান্দবা খুদিংমক লায়না অমনা অমবু মশক খঙনবা ঙম্নবা পান্বে অমনি লৌবদা লাল্লোই, মীঙ্গৌরোন মীং থোনবগী চৎনবী কয়া মালেমগী খুন্নাই অয়াম্বদা মাগী মাগী তোঙান তোঙানবা মওংদা লৈবগী ৱারী ঐখোয়না তারি, ইরমদম মণিপুরী খুন্নাই অসিদসু ঐখোয়গী পারি পুরিনা মপূং ফানা মতিক চারবা মীঙ্গৌরোন মীংথোনবগী চৎন-কাঙলোন শেমদুনা থন্বীরম্মী হায়বা য়াই। চৎন-কাঙলোন অসিগী মতুংইন্না অহানবদা, থৱায় পানবা-পান দবশিংগী মতিক ময়াই শিংথাদুনা মীং থোনবগী চৎনবী, খুদম ওইনা খরদং লৌখৎলবদা, খাগী লৈপাকপু মায়থীবা পীবা ঙম্মী হায়দুনা ইরমদম অসিগী নিংথৌ ওইনা পাল্লম্বা ইনিংথৌ খাগেম্বা হায়না ঙসি নীংশিংনরিবা, খূৎশু তেন্দা হৈশিংই হায়দুনা তেলহৈবা হায়না মিং থোনবা অসিনচিংবা খরা পনবা য়াই। অনীশুবদা, মতম পুংফম মফমগী মতুং ইন্না পীবা মীংথোন, তেল্লপনা খরদং পল্লবদা, অহানবা ফংজবা মচাবু অচৌবা নুপী ওইরগনা ইবেচৌবী, অনীশুবা ফংজবা ওইরগনা য়াইমা নুপী ওইরগনা য়াইমবী, অতোনবনা তোম্বা, নুপী ওইরগনা তোম্বী অদুগা অহুমশুবদনা, শক্তম ফীভম শিংথাদুনা মিংথোনবা শম্না পল্লবদা চাউ শাংই, ফজৈ হায়দুনা চাউবা মীং থোনবা, কুচু মুই হায়দুনা অমু, ঙৌই হায়দুনা অঙৌ হায়না মীং থোনবা, অসুম্না চৎন-পথাপ অসিগী মতুং ইন্না ঐখোয়গী পারি-পুরীনা অশানবা মিৎয়েংদা লুথনা য়েংদুনা মীওইবগী হকচাংগী কয়াৎ নৎত্রগা লূ-তোং অমা নৎত্রগা অমা শোয়বা নৎত্রগা য়াওদবদগী হকচাংগী ফীভমদা নৎত্রগা মথৌদা অকায়বা থোকহনবা নৎত্রগা উহল্লিবা মীওইশিং, মসি পোক্লকপদগী নৎত্রগা অনা অয়েক, খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী থৱায় পানবশিংদা ওইহনবা য়াই। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিবু নাম্মা শোয়বা হায়দুনা খঙনহনবিদুনা খুন্নাই অসিদা লাক্লি, মসিমক্লা ময়েক শেংনা তাক্লি ঐখোয়গী পারি পুরিশিং অসি মীওইবগী হকশেল, হকচাংগী কয়াৎলোন্দা মপূং ফাবা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোনশিং লৈরম্মী হায়বগী মমি চাউনা তারি। হায়নিংলিবদি নাম্মা মথৌ তৌদ্রবসু নৎত্রগা য়াওদ্রবসু নাম্মা অমদি হায়বদি লেমহৌরিবা হকচাংগী কয়াৎশিং লূ-তোং নিংথিনা মথৌ তৌদুনা ঈজৎ লৈনা হিংবা ঙম্মী হায়বসি মুন্না খঙলম্মী হায়বা য়াই। নাম্মা শোয়বা হায়বা কাঙলপ অসিগী মনুং চল্লিবশিংদি, মীৎতাংবা, না পঙবা, লোন থোক্তবা, খোঙ-খূৎ তেকপা নৎত্রগা খোঙ-খূৎ শিথদুনা লৈবা, ৱাখলগী পাঙ্গল শোনবা, হন্থবা হায়রিবশিং অসি কোনশিন্দুনা খাঙদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মাগী মাগী চানবা মীঙ্গৌ পীরল্লিবসি অরানবা ৱাখল্লোন্দা মীৎয়েং থন্বীদুনা মীওই কাঙলুপ খরনা চুম্না নীংথিনা কৌনবগী মহুত্তা মীঙ্গৌশিং অসি কি হঙ্গোইনিঙাই ওইবা মওংদা কৌনা ঙাঙনদুনা লিশাংশিৎনা লাকপনা ঙসিদি মীঙ্গৌশিং অসি মীয়াম মাঙদা কৌবা ঙাঙনবদা নুংঙাইতবা পোকপা মীং ওইরখিবনি হায়বা য়াই। খুদম ওইনা, প্রমান পান্থে ওইনা মমাঙঙৈদা তোইনা ঙাঙনা শক্নরম্বা হৌজিকসু খরা খরা অদুম ঙাঙনা শক্নরিবা খরদি, খোঙতেক-মীৎতাং, নখোঙ তেকপ্রো, নমিৎ তাংব্রো, নাপংব্রো, মসিগা চপ মান্নবদা নিংথিরবা মমিং বহাদুর হায়বদি থৌনা ফবা, চাওবা অমদি তোম্বা হায়রিবা মীংশিংগী খোরৈলোন শুবা মীওই অয়াম্বনা মখোয়গী ৱারেং, লীলা, দ্রামা, ৱারীনচিংবদা হন্থবা থাক্লি হায়না লৌজবা থবক তৌবা মীওইশিংদা কৌনা ঙাঙনবা মীঙ্গৌ অমা ওইনা শীজিন্নবনা লীলা, দ্রামা, ৱারীশিংদা তোম্বা হেক হায়রকপা, চাউবা হেক কৌরকপা, বহাদুর হায়না হেক ঙাঙলকপদা য়ূমগী নৎত্রগা লোইশঙগী পাখোন চেন্থোক চেনশিন তৌবা, ৱাইশিৎ লমশেং তৌবা মীশক ওইনা থোরক্কদবোই অপাবা, অয়েংবশিংদা খঙহনবশিংগুম নাম্মা শোয়বা হেক পল্লকপদা করিমত্তা তৌবা ঙমদবা, কান্নদবা মীরেমগুম হেক্তা খুন্নাই মীয়ামদা উহল্লি, খলহল্লি হায়বদা লাল্লোই। অদুবু ঙসিদি নাম্মা শোয়বশিংগী মরক্তা লৈঙাক্কী খুন্নাইগী অচৌবা থৌদাং য়াবা ঙম্বা আই এ এস ওফিসর, ডাক্তর, লোয়র মসিগী মথক্তা কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি অমদি অতৈ হীরম কয়াদা থৌদা পাঙথোকপা মীওই কয়া থোরকপা উনরি খঙনরি। ইরমদম মণিপুরী খুন্নাই অসিদসু ঙসি অৱাংবা থাক্কী লৈঙাক্কী থৌদাং লৌরিবা এম সি এস ওফিসর হেনবনা থৌদা পাঙথোক্লি। মসিগী মথক্তা অনা লায়েংগী অমদি মহৈ লোইশঙ কয়াদা মশীং য়ামদ্রগসু নাম্মা শোয়বশিংনা খুন্নাই অসিগীদমক মপূং ফাবা থৌদা পাঙথোক্লি হায়বসি খুন্নাই মীয়াম্না খঙনা উনবা হৌরক্লিবা ঙাক্তনি। ঙসি মালেমগী খুন্নাইসিদা লাক্লিবা, ওইরক্লিবা অহোংবশিং অসিনা মরম ওইদুনা নাম্মা শোয়বশিংদা নাম্মা শোয়বা হায়বদা চান্নদবা মীঙ্গৌ ওইনা উহল্লিবনি। মসিনা মীঙ্গৌগী মতাংদা মালেমগী মফম অয়াম্বদা চয়েৎনবা কয়া থোরক্লি। মীওই খরনা হান্নদগী কৌরকপা মীঙ্গৌ হায়বদি নাম্মা শোয়বা, হেন্দিকেপ, দিসএবল পিপল নৎত্রগা পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটি হায়না কৌবদা করিসু কায়দে। মরু ওইরিবদি খুন্নাই মীয়ামগী লীশাং শিৎনা চখ্থরক্লিবা ৱাখল্লোন মিৎয়েং অসি মপূং ফানা নৌনা হোংলক্লিবা অনৌবা ৱাখল্লোন মিৎয়েংদা পুরকপা হোংদোকপা ঙম্নবা হোৎনবনা হেন্না মথৌ তাই। মসিনা নাম্মা শোয়বশিংগী হক মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙমহনবতা নত্তনা খুন্নাইদা ঈজৎ লৈনা মনিংতম্না লৈপাক্কী য়াইফ থৌরাং কয়াদা শরুক য়াহনবা ঙমহনগনি। মসিগী ফল ওইনা নাম্মা শোয়বশিংবু খুন্নাই মী অমা ওইনা শকখঙবীবা, ইকায় খুম্নবীবা পুরকপগা লোয়ননা কি হঙ্গোইবা মিৎয়েংশিং মথন্তা মালেমগী খুন্নাইসিদগী মাঙখিনি হায়বসিনি। নাকল অমরোমদনা নাম্মা শোয়বা হায়বা মীংসিগী মহুত্তা খরা ফজবা অমা কৌনবা, অতোপ্পা লোনশিংদসু দিসএবল পিপল, হেন্দিকেপ হায়বসিগী মহুত্তা দিফরেন্টলি এবল পার্সন, চেলেঞ্জ পার্সন নৎত্রগা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ হায়না মীঙ্গৌ অসি হোংদোক্কদবনি। মসিনা নাম্মা শোয়বশিংবু খুন্নাই মী অমনি হায়না শক খঙহনবদা মতেং ওইগনি হায়বসিনি। মতাংসিদা অচৌবা ৱায়েৎ অমা ওইনা লৈরিবনা মীং ফজবা কয়া হোংদোক্তুনা কৌরবসু খুন্নাই মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা অহোংবা লাকপা ঙমদ্রগদি মসিগী কান্নবা করিসু উবা ঙম্লোই হায়বসিনি। মীং হোংবা হোংদবদুদি নাম্মা শোয়বশিংবু পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীদুনা মহৈ মশীন মতিক চানা হৈনবা হীরম খুদিংদা হৈথোই শিংথোইবা মীশক অমমম ওইহন্দুনা লৈপাক অসিগী কান্নরবা মীশকশিং ওইনা পুথোকপনা খুন্নাই মীয়ামগী ৱাখল্লোন লায়না হোংদোকপদা মতেং ওইবা ঙমগনি। মসিনা নাম্মা শোয়বা শোয়দবা খায়দবা অপূনবা মান্নবা খুন্নাইগী ইচেলদা পূন্না অমনা অমবু ইকায় খুম্নবা থাক্তা হিংমিন্নবা ঙমগনি হায়নীংই।

লোইশিল্লকপদা, খুন্নাই মীয়াম খক নত্তনা নাম্মা শোয়বশিংসু লৈঙাক্লা পীরকপা, য়ূম য়ূমদা থিল্লকপা ঙাইদুনা লৈবগী ৱাখল্লোন্দগী হোংদোক্তুনা কদায়দা করি লৈবগে, করি তৌবা য়াবগে, করম্না তৌবা ঙমগনি, কমদৌনা মায়োক য়াগনি হায়না থোরক্তুনা খুন্নাইগী হীরম খুদিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনরবদি মীংথোন ফজরবসু অকায়বা অরাংবা মিংশেনগুম চন্নদনা লৈখিগনি। তেনশিল্লবদা ইশানা ইশাবু নাম্মা শোয়বনি হায়বসি য়াজদুনা হয়েংগী য়াইফবা খুন্নাই অমগীদমক ফোংনা চোংথোরকপা ঙম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবদু মাঙদা তাদুনা লৈরি।